# ফেষ্টিভেল ওফ লিটরেচরদা মণিপুরগী অইবা অইবী কয়া শরুক য়াগদৌরি

*থৌদাং পাউমীদগী*

*ইম্ফল, মার্চ ৩ ঃ* সাহিত্য একাদেমি নিউ দিল্লিনা চহী খুদিংগী লেপ্তুনা পাঙথোকপা খ্বাইদগী চাওবা ফেষ্টিভেল ওফ লিটরেচর ২০২৩ মার্চ ১১ দগী ১৬ ফাওবা রবিন্দ্র ভবন লোঞ্জ য়াওনা তোঙান তোঙানবা দিল্লিগী মফমশিংদা পাঙথোক্লুনা লৈবাক অসিগী তোঙান তোঙানবা লোল ২৪ গী অইবা অইবীশিংনা শরুক য়াদুনা পাঙথোক্লক্লগনি।

সাহিত্য একাদেমিনা লৈবাক অসিগী তোঙান তোঙানবা লোল ২৪ গী অইবশিংদা পীবা লেমজনিংঙাই ওইরবা সাহিত্য একাদেমি এৱার্দ ২০২২ নুমীৎ অসিদা য়েম্লোক্কনি। মণিপুরগী ওইনা ‘লৈরোলনুং’ কৌবা শৈরেংগী লাইরিক্কী অইবী ডাঃ কোয়জম শান্তিবলাদা মনা অসি খুৎশিন্নগনি।

নোর্থ ইষ্টর্ন এন্দ সাউদর্ন রাইটর্স মীট, ত্রাইবেল রাইটর্স মীট, পেনেল দিস্কসন ওন প্লেরাইটিং, ইন্দিয়ান ইন্দিপেন্দেন্স মুভমেন্ট এন্দ নেস্নেল বিল্ডিং, মেদিয়া, নিউ মেদিয়া এন্দ লিটরেচর হায়বা হিরম অসিদা পেনেল দিস্কসন কয়া পাঙথোকপগা লোয়ননা লৈবাক অসিগী তোঙান তোঙানবা ষ্টেটশিংদগী লাকপা নহা অইবা, অহল য়াওনা এৱার্দ ফংলবা মীওই লিশিং ১০ রোম্না শরুক য়াদুনা পাঙথোক্কদৌরিবা ফেষ্টিভেল ওফ লিটরেচর ২০২৩ দা মণিপুরগী ওইনসু ফুরুপ কয়াগী অইবশিংনা শরুক য়াগনি।

সাহিত্য একাদোম নিউ দিল্লিগা মণিপুরী লেঙ্গুয়েজ এদভাইজরি বোর্দকী কনভেনর নোংমাইথেম কিরনকুমার, মিস্না চনু, নিংথৌজম রঞ্জনা, রিতা থোকচোম, ওকেন্দ্রো খুন্দোংবম, তায়িবুর রহমন, ক্ষেত্রি রাজেন, নোংথোম্বম প্রেমচান্দ, সোরোখাইবম দেবেন্দ্র, চুঙ্খাম সুবদনি, নেপ্রেম ময়া, দিলকু সেনোং(লমকাং), চিংয়া চরুং (তঞ্জুল), কেলত্রেং অনাল (অনাল) অমদি আর মুপানি তাউ (পাওমাই) নচিংবা অইবশিংনা শরুক য়াদুনা মশা মশানা ইবা রারেং, রারী মচা অমদি শৈরেং পাথোক্লুনা লৈবাক অসিগী অইবশিংগা শকখঙ মায়খঙনগনি হায়রি।